# নুপীগী রেফরিশিংনা হিরো আই লীগ ক্বালিফায়র্সতা থৌদাং লৌবা হৌখ্রে



বেঙ্গলুরু, ওক্টোবর ১২ (এজেন্সী): ইন্দিয়াদা ফুটবোল মশান্নগী ওইনা নৌনা নুপীগী শান্নরোয় কয়ানা মপূং ফাবা মালেমগী থাক্তা শান্নবা ঙম্লবা হোৎনরিঙৈ মনুংদা রেফরিগী থাক্তা মণিপুরদগী হৌখিবী তেকচম রঞ্জিতা অমসুং এসিষ্টেন্ট রেফরি মেঘলায়াগী রিওলাং ধরনা ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোলগী মমিং লৈরবা হিরো আই লীগ ক্বালিফায়র ২০২১দা ওফিসল ওইনা শরুক য়াদুনা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

মমাংদা নুপাগী ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংদা রেফরিগী থৌদাং অসি নুপা রেফরিশিংনা লৌরম্বা অদুগী মতুংদা তোঙান-তোঙানবা রেফরি অমা ওইবগী চাংয়েং কয়া মায় পাক্তুনা লাকখ্রবী মণিপুরগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবী ওফিসল অমা ওইনা রেফরিগী থৌদাং লৌরিবী তেকচম রঞ্জিতানা নুপাগী মেটচশিং অদু ওফিসিএট তৌগদৌরিবনি। মহাক্তা নৎতনা মেঘলায়াদগী রিওলাং ধরনা এসিষ্টেন্ট রেফরি অমা ওইনা হিরো আই লীগ ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট ২০২১গী মেটচশিংদা শরুক য়াগদৌরি।

তেকচম রঞ্জিতা অমদি রিওলাং ধর মখোয়-মখোয়গী করিয়রদা ফুটবোল শান্নরোয় ওইনা হৌরকখিবনি। অদুবু মখোয়না শান্নরোয় অমা ওইবগী মতম লোইশিল্লক্লবা মতুং রেফরি ওইবগী খূদোংচাবা অদু ফংদুনা থৱায় য়াওনা চঙশিল্লক্তুনা হিরো আই লীগ ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট ২০২১গী ওফিসল ওইনা শরুক য়াগদৌরিবনি।

মণিপুরদগী হৌখিবী তেকচম রঞ্জিতানা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্কী পোকমিন্নবা মবুংনা ফুটবোলগী রেফরি ওইবগী থবক পায়খৎলকখিবা অদুনা মঙোন্দা চাওনা পাঙ্গল পীদুনা শান্নরোয় অমা ওইরম্বদগী হীরম অদুদা খোঙ থাংজিল্লকখিবনি হায়না থম্লকখি। মহাক্কী মবুং অদুনা মপূং ফাবা মতেং পীদুনা ষ্টেটকী থাক্তা নৎতনা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল লেভেলগী রেফরি ওইবগী খূদোংচাবা ফংখি হায়না চহী ৩৬ শুরবী তেকচম রঞ্জিতানা ফোঙদোকখি।

তেকচম রঞ্জিতা কুমজা ২০১৬তা নেসনল রেফরি ওইবগী খূদোংচাবা ফংখি। মদুগী মতুং চহী ২ লৈরগা কুমজা ২০১৮দা মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা ফুটবোলগী লূপ ওইরিবা ফিফাগী পেনেলদা য়াওদুনা ইন্দিয়াগী নুপী রেফরিশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা অমা ওইরকখি। রঞ্জিতা ইন্দিয়ানা যূম্বু ওইরগা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱিমেন্স য়ু-১৭ অমদি এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ন কপতা ওফিসল ওইনা শরুক য়াগদৌরি।

# সুরেখা অমসুং অভিসেখনা এসিয়ন আর্চরিদা লুচিংগদৌরি

ন্যু দেল্লী, ওক্টোবর ১২ (এজেন্সী): চহী অসিগী নবেম্বর ১৩দগী ১৯ ফাওবা বাংলাদেশকী কোনুং ধাকাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২২রকশুবা এসিয়ন আর্চরি চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী জ্যোথি সুরেখা অমসুং অভিসেখ বর্মানা লুচিংগদৌরি।

আর্চরিগী ওইনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখ্রবা অভিসেখ বর্মা অমসুং ভেনাম জ্যোথি সুরেখাগী মমিং অদু আর্চরি এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ঙসি লৈবাক অসিগী ওইনা এসিয়ন আর্চরি চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াগদবা অতোপ্পা আর্চরশিংগী মমিং লাউথোকপদা মখোয়না লুচিংগনি হায়না ফোঙদোরকপনি।

নুপাগী আর্চরিগী ওইনা কম্পাউন্দ টিমদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিনগদৌরিবা আর্চরশিং অদুদি লুচিংবা অভিসেখ বর্মা, রিশব য়াদব, মোহিট অমসুং অমান সাইনিনি। লোয়ননা নুপীগী কম্পাউন্দ টিমদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা বাংলাদেশকী কোনুং ধাকাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন আর্চরি চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াগদৌরিবা আর্চরশিং অদুদি ভেনাম জ্যোথি সুরেখা, মুস্কান কিরাব, প্রিয়া গুর্জর অমসুং পর্নিট কোরনি।

চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থাদা য়ু এস এনা যূম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অদুদা কম্পাউন্দ আর্চরি ইভেন্ট অদুগী ওইনা অভিসেখ বর্মা অমসুং ভেনাম জ্যোথি সুরেখানা ইন্দিভিজ্যুএলগী ওইবা ইভেন্টশিংদা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখ্রবা মতুং হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা জমশেদপুরদা পাঙথোকখিবা নেসনল আর্চরি চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

নুপাগী রিকর্ব টিমদা এসিয়ন আর্চরি চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী আর্চরশিং অদুদি, কাপিল, পার্থ সলুনখে, সুখচেন সিংহ অমসুং প্রভিন য়াদবনি। অদুগা নুপীগী রিকর্ব টিমদা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী আর্চরশিং অদুদি রিধি, অনকিতা ভকট, কোমালিকা বারি অমসুং মাধু বেদ্বাননি। ইন্দিয়াগী আর্চরশিংগী মনুংদা মমাংগী থাদা য়ু এস এগী য়াংটোন সিটিদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা অভিসেখ বর্মা অমসুং ভেনাম জ্যোথি সুরেখানা মিক্স টিম ইভেন্টতা সিলভর মেদল ফংলগা ইন্দিয়াগী মিংচৎ পুরকপা ঙমখিবনি। মখোয়না লুচিংলগা এসিয়ন আর্চরিদা ইন্দিয়াগী অচৌবা মঙলান লৈরি।

# জুনিয়র ৱর্ল্ড শুটিং চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়ানা মেদল ৪৩ ফংলগা মকোক ওইখ্রে

লিমা, ওক্টোবর ১২ (এজেন্সী): পেরুগী কোনুং লিমাদা লোইশিনখিবা আই এস এস এফ (ইন্টরনেসনল শুটিং স্পোর্টস ফেদরেসন) জুনিয়র ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী টিমনা গোল্ড মেদল ১৭ য়াওনা পূন্না মেদল ৪৩ ফংলগা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

ঙরাং পেরুগী কোনুং লিমাদা লৈবা লাস পলমাস শুটিং রেঞ্জদা অরোইবা নুমীৎকী লৈখিবা মেদল ১২গী লম্বা অদুদা ইন্দিয়াগী শুটরশিংনা গোল্ড মেদল ১২ ফংলগা য়াম্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমখি। অরোইবা নুমীৎ অদুদা ইন্দিয়াগী শুটর বিজয় ভির সিধু, রিদম সাংৱান, অর্জুন সিংহ সিমা অমসুং সিখা নর্ৱালনা মখোয়-মখোয়গী কেটগোরিশিং অদুদা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী জুনিয়র শুটরশিং অদুনা লিমাদা পাঙথোকপা আই এস এস এফ জুনিয়র ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অদুদা গোল্ড মেদল ১৭, সিলভর ১৬ অমসুং ব্রোঞ্জ ১০ ফংলগা কম্পিটিসন অদুগী ওইনা মেদল টেলিদা মকোক থোংবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বিজয় ভিরনা জুনিয়র মেন্সকী ওইবা মিটর ২৫গী ষ্টেন্দর্দ পিষ্টোল ইভেন্টতা গোল্ড মেদল ফংলগা চেম্পিয়নশিপ অদুদা মহাক্কী ওইবা অহুম্লকশুবা গোল্ড মেদল লৌখি। মহাক্কী ফাইবোক উদে ভিরনা হায়রিবা কম্পিটিসন অদুদা সিলভর মেদল ফংখি। অদুগা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী হর্শ গুপ্তনা ইভেন্ট অদুগী ব্রোঞ্জ লৌখিবনি।



ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপীগী শুটর রিদম সাংৱাননা জুনিয়র ৱিমেন্সকী মিটর ২৫গী ষ্টেন্দর্দ পিষ্টোল ইভেন্টতা অপূনবা পোইন্ট ৬০০ লৈবগী মনুংদা ৫৭৩ ফংদুনা চেম্পিয়নশিপ অদুদা মহাক্কী মরিরকশুবা গোল্ড মেদল অদু লৌবা ঙমখি। ইভেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শুটর ভেলোর নায়র অমদি নামিয়া কাপুরনা মথংশিংনা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

নুপাগী মিটর ৫০গী পিষ্টোল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী অর্জুন সিংহ সিমানা অপূনবা পোইন্ট ৬০০কী মনুংদা ৫৪৯ ফংলগা শুটর ১৬কী লম্বাদা মকোক ওইদুনা গোল্ড ফংখি। নুপীগী মিটর ৫০গী পিষ্টোলদা ইন্দিয়াগী সিখা নর্ৱালনা গোল্ড মেদল ১ লৌরগা ইন্দিয়ানা মকোক ওইখিবনি।

# অবর কপ বেদমিন্টনগী গ্রুপ মেটচতা ইন্দিয়াগী নুপীগী টিমনা স্কোটলেন্দবু য়াম্না হেনবা মওংদা মেটচ ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে

আর্হুস, ওক্টোবর ১২ (এজেন্সী): দেনমার্ককী সিটি আর্হসতা পাঙথোক্লিবা বেদমিন্টন মশান্নগী ওইবা টিম চেম্পিয়নশিপকী নুপীগী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়ানা স্কোটলেন্দবু য়াম্না চাওনা মেটচ ৪-১দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা গ্রুপ বিদা অহানবা টাই মায় পাকপা ঙমখ্রবা মতুং অনীশুবা টাই অদুদসু ফজবা ঙমখিবনি। অহানবা টাইদা ইন্দিয়ানা স্পেনবু ৩-২দা থোইখি। ইন্দিয়াগী টিম অসিদা কুমজা ২০১২ লন্দন ওলিম্পিক গেমসতা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখিবী সাইনা নেহৱাল শোকপদগী শান্নবা মখা তাবা ঙমখিদবা অদুনা মরম ওইরগা ঙরাংগী মেটচ অদুদসু ইন্দিয়াগী মায়কৈদা মহাক শরুক য়াবা ঙমখিদে।



গ্রুপ বিগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী সিঙ্গলসকী অহানবা মেটচ অদু মালভিকা বনসোটকা স্কোটলেন্দগী ৱর্ল্ড নম্বর ২৬ কর্ষ্টি গিলমোরগা লম্বা তৌনরকপদা ১২-২১, ৯-২১দা মায়থীবা নংখিবনি। অদুবু মখা তারকপা অনীশুবা মেটচতা ইন্দিয়াগী অদিটি ভাট্টনা রিচেল সুগদেনবু ২১-১৪, ২১-৮দা থোইদুনা ইন্দিয়া অমসুং স্কোটলেন্দগী টাই অদু মেটচ অমমম্দা মান্নহনখি।

অহুমশুবা মেটচ অদু দবলসকী মেটচ ওইখি। মদুদা ইন্দিয়াগী টানিশা ক্রাষ্টো অমসুং রিতুপর্না পন্দানা স্কোটলেন্দগী জুলিয়া মেকফর্সন অমসুং কিয়ারা টোরাসপু ২১-১১, ২১-৮দা থোইদুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি। মখা তারকপা টাই অদুগী অনীশুবা সিঙ্গলসকী মেটচতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী টাস্নিম মিরনা স্কোটলেন্দগী লোরেন মিদলেটোনবু ২১-১৫, ২১-৬তা থোইদুনা টাই অদু ইন্দিয়ানা ৩-১দা লৌখিবনি। অদুবু টুর্নামেন্ট অসিগী চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না মখা তারকপা নুপীগী দবলসকী অনীশুবা মেটচতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা অস্বিনি পোনাপা অমসুং এন সিকিরেদ্দিগী মহুৎতা শান্নখিবা ট্রিসা জোলি অমসুং পুলেলা গয়াট্রিনা স্কোটলেন্দগী কর্ষ্টি গিলমোর অমসুং এলিনোর দোনেল্ডবু ২১-৮, ১৮-২১, ২১-১০দা মায়থীবা পীদুনা অবর কপ বেদমিন্টন ফাইনেলসকী গ্রুপ বিদা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা থংন-থংননা রাউন্দ ২ মায় পাকপা ঙল্লি।

গ্রুপ বিগী ওইনা ইন্দিয়ানা অহানবা রাউন্দদা স্পেনবু মেটচ ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রবা মতুং ঙসি অঙনবদা স্কোটলেন্দবু মেটচ ৪-১দা থোইরগা হয়েং গ্রুপ অসিগী লুচিংলিবা থাইলেন্দগা লম্বা তৌনগনি। মদুদা অথোইবা টিম অদুনা গ্রুপকী মকোক ওইরগা নোক আউট ষ্টেজ য়ৌগদৌরিবনি।

# ইন্দিয়ন ৱেলসকী মমাংগী চেম্পিয়ন বিয়ানকা এন্দ্রিস্কু অহুমশুবা রাউন্দদা ইষ্টোনিয়াগী কোন্টাভেটকী মখূৎতা মায়থীহৌরে

ইন্দিয়ন ৱেলস, ওক্টোবর ১২ (এজেন্সী): য়ু এস এগী কালিফোর্নিয়া ষ্টেটতা লৈবা ইন্দিয়ন ৱেলসতা পাঙথোকপা ৩২রকশুবা ৱিমেন্স টেন্নিস এসোসিএসন টুরগী মনুং চনবা বি এন পি পরিবাস ওপন হায়নসু খঙনবা ইন্দিয়ন ৱেলস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী মমাংগী চেম্পিয়ন কানাদাগী বিয়ানকা এন্দ্রিস্কু ঙরাং অথেংবদা শান্নবা অহুমশুবা রাউন্দদা ইষ্টোনিয়াগী কোনটাভেটকী মখূৎতা মায়থীহৌরে।

ইষ্টোনিয়াগী এনেট কোনটাভেট অমসুং টুর্নামেন্ট অসিগী হৌখিবা চহীগী নুপীগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবী কানাদাগী বিয়ানকা এন্দ্রিস্কুগা লম্বা তৌনরকপা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অদুদা য়াম্না অকনবা মওংদা লান্থেংনদুনা অহানবা সেট অদু অমনা অমগী সর্ভিস গেমশিং ব্রেক তৌনবা ঙমদনা গেম ১২ শুবা ফাওবদা ৬-৬ থোইনদুনা টাই ব্রেক শান্নখি। মদুদা কোনটাভেটনা ফজবা হেল্লকপদগী পোইন্ট ৭-৫দা ঙমদুনা সেট অমা মাঙজিল থারগা লৈখি।



সেট অমা মাঙজিল থারবা কোনটাভেটনা এন্দ্রিস্কুবু অনীশুবা সেট অদুদা লাকশিন্না শান্নবা ঙম্লকপদগী এন্দ্রিস্কুগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৩দা থোইরগা টুর্নামেন্ট অদুগী মরিশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। কোনটাভেটনা ৪শুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবী চেক রিপব্লিককী কেরোলিনা প্লিসকোভাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৭-৫দা মায়থীবা পীরম্বী ব্রাজিলগী ক্বালিফায়র হার্দাদ মইয়াগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী অতোপ্পা মরিশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা অহুমশুবা সিদেদ ওইখিবী চেক রিপব্লিককী বার্বোরা ক্রাইচিকোভা, বেলারুসকী ভিক্টোরিয়া অজারেনকা অমসুং য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনা য়াওরি।

বার্বোরা ক্রাইচিকোভানা মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দদা য়ু এস এগী অনিশি মোভাবু ৬-২, ৬-৩দা থোইরম্বনি। মহাক্না স্পেনগী বাদোসাগা মরিশুবা রাউন্দ শান্নগনি।

বেলারুসকী ভিক্টোরিয়া অজারেনকানা মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দদা চেক রিপব্লিককী পেট্রা কিটোভাবু ৭-৫, ৬-৪দা থোইরগা অতোপ্পা মহাক্কী লৈবাক অদুমক্কী শান্নরোয় সাস্নোবিচকা লম্বা তৌনগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা মহাক্কী ৩শুবা রাউন্দ অদু মায় পাক্তুনা মরিশুবা রাউন্দদা য়ু এস এগী পেগুলাগা লম্বা তৌনগদৌরি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী কাঙলূপ্তা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা রসিয়াগী দানিল মেদভেদেভ অমসুং হঙ্গেরিগী গ্রিগোর দিমিট্রোবনা মরিশুবা রাউন্দ শান্নগনি। অমরোমদা, রসিয়াগী এ কারাটসেভ অমসুং পোলেন্দগী হুর্কাজ থেংনগনি। অদুগা অর্জেন্টিনাগী স্বার্টজমেন অমসুং নোরৱেগী সীরুদসু শান্নগদৌরি।

# কুমজা ২০২২ ফিফা ৱর্ল্ড কপকী ওইনা জর্মনিনা অহানবা লৈবাক ওইনা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে




স্কোপজে, ওক্টোবর ১২ (এজেন্সী): কুমজা ২০২২দা এসিয়াগী লৈবাক কটারনা যূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা মালেমগী ফুটবোলগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ওইনা মমাংদা টাইটল কয়ারক লৌবা ঙমখ্রবা জর্মনিনা অহানবা লৈবাক ওইনা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা জর্মনিনা য়ুরোপকী ওইবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টকী গ্রুপ জেগী লম্বা অমদা নোর্থ মেসিদোনিয়াবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীদুনা গ্রুপ অদুগী ওইনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা ঙমখিবদগী ফিফা ৱর্ল্ড কপকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি।

জর্মনিগী ফুটবোল টিম অদু নোর্থ মেসিদোনিয়াগা শান্নবদা হৌবদগী ফজবা ঙমখি। টিম অদুগী কোচ ওইখিবা মশামক জর্মনিগী চহী ২১ মখাগী কোচসু ওইরম্বা ষ্টেফান পুঞ্চনা মায় পাকপা অদুগী মতুং মমীৎতগী মপী তারদুনা হরাউবা ফোঙদোকখি। মেটচ অদুগী পাঞ্জল ৪মক অনীশুবা হাফতা চনখিবা ঙাক্তনি। অহানবা হাফ অদু নোর্থ মেসিদোনিয়াগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা পীরকখি।

জর্মনিগী মায়কৈদগী কাইহর্বটজনা অহানবা পাঞ্জল অদু মেটচকী ৫০শুবা মিনটতা চনখি। অদুগা অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা মহাক্কী টিমমেট টিমো ৱর্নরনা পাঞ্জল ২ চল্লবা মতুং জমাল মুসাইলানা ৮৩শুবা মিনটতা টিম অদুগী ৪শুবা পাঞ্জল চনখি।

গ্রুপ ঐচতা রসিয়া অমসুং ক্রোএসিয়া মায় পাক্তুনা প্লে ওফকীদমক্তা শেম শানখি। রসিয়ানা স্লোভেনিয়াবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখিবনি। অদুগা গ্রুপ অদুমক্কী অতোপ্পা মেটচ অমদা ক্রোএসিয়াগী টিমনা স্লোভাকিয়াগা শান্নবদা পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখি।

গ্রুপ ঈদা ৱেলসনা ইষ্টোনিয়াবু পাঞ্জল ১-০দা থোইখিবদগী বেলজিয়মনা গ্রুপ অসিদগী মাঙজৌননা ক্বালিফাই ওইরম্বা য়াবা খূদোংচাবা অমা থেংথহন্দুনা লৈরি। ৱেলসনা গ্রুপ অদুদা চেক রিপব্লিককা পোইন্ট মান্নদুনা লৈরি। চেক রিপব্লিকনা মখোয়গী মেটচতা বেলারুসপু ২-০দা থোইখিবনি। বেলজিয়মনা য়ুরোপিয়ন ফিফা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিগী অরোইবা মেটচ ওইনা নবেম্বর ১৩দা ইষ্টোনিয়াগা শান্নগনি। অদুগা ৱেলসনা বেলারুসকা লম্বা তৌনগদৌরি। বেলজিয়মনা ক্বালিফাই ওইবগী খূদোংচাবা অদু অতোপ্পা টিমশিংদগী হেন্দুনা লৈরি।

# অস্ফাগী মায়কৈদগী ওফিসল খনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না হেদ ক্বার্টর ৫৯ মাউন্টেন বৃগেদ সী/ও ৯৯ এ পি ওনা শীন্দুনা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া তাকয়েলগী আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা থা অসিগী ১৬কী নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা পাঙথোক্কদবা নেরোকা এফ সী অমসুং ট্রাও এফ সীগী ওইবা এগজিবিসন মেটচ অদুবু কন্দক্ট তৌননবা ওফিসল ওইনা এস জেমস কুমার (রেফরিস এসেসর), এম জয়চন্দ্র (মেটচ কম্মিস্নর) অমদি রেফরি ওইনা সাপম কেনেদি, হরিমোহোন, মহেশ অমসুং শাফবাবু খল্লে হায়রক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা খনগৎলবা ওফিসলশিং অদুনা সাই টাকয়েলদা মতম চানা রিপোর্ট তৌগদবনি। লোয়ননা ওফিসলশিং অসিগী টি এ/দি এশিং অদু ওর্গনাইজরশিংনা পীগনি হায়না অস্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরি জ্যোটিরমোই রোইনা ফোঙদোরক্লি।

# সেলেক্সন ট্রায়ল পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচ এন এস): খুরাইগী ৱাই ও এস সী গ্রাউন্দ অমসুং ৱাঙ্গোইগী ৱাফা গ্রাউন্দদা ওল্টিয়স ইন্টরনেসনল ফুটবোল একাদেমিনা চহী ১৩গী মখা, চহী ১৫ মখা অমসুং চহী ১৮ মখাগী ফুটবোল শান্নরোয়শিংগী ওইবা সেলেক্সন ট্রায়ল পাঙথোক্কনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

চহী ১৩ মখাগী কাঙলূপ অদু কুমজা ২০০৯ নৎত্রগা মতুংদা পোকপা ওইগদবনি, চহী ১৫ মখাগীনা কুমজা ২০০৭তগীনা ২০০৮ ফাওবগী মনুংদা লৈগদবনি। অদুগা চহী ১৮ মখাগীনা কুমজা ২০০৫দগীনা ২০০৬ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ওইগদবনি। খুরাইদনা ওক্টোবর ১৬ অদুগা ৱাঙ্গোইদনা ওক্টোবর ১৭তা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

# এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ন কপ ইন্দিয়ানা যূম্বু ওইগদৌরিবা অসিগীদমক শেম শাবা হৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, ওক্টোবর ১২ (এজেন্সী): এসিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ানা যূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা নুমীৎ ১০০নি খক্তা ঙাইশিল্লক্লবা তাঞ্জাদা লোকল ওর্গনাইজিং কম্মিটি (এল ও সী) অমসুং এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসননা 'অৱর গোল ফোর ওল' হায়বা ৱাহৈনা মপূং ওইরগা হান্না লৈরম্বা থাকশিং অদুদগী হেন্না খোঙজেল য়াঙশিন্না থবক তৌবা হৌখ্রে।

এল ও সী অমসুং এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসননা পূন্না চঙশিনমিন্নদুনা কুমজা ২০২২গী জন্যুৱারী ২০দগী হৌরগা ফেব্রুৱারী ৬ ফাওবা এসিয়াগী মকোক থোংবা লৈবাক ১২গী ওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি ইন্দিয়াগী মহারাষ্ট্রদা লৈবা সিটি মুম্বাই, পুনে অমসুং নাবি মুম্বাইদা পাঙথোক্কদৌরিবনি।




এ এফ সীগী প্রসিদেন্ট সেখ সলমান বিন ইব্রাহিম অল খালিফানা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ২০২২দা ইন্দিয়ানা যূম্বু ওইরগা এসিয়াগী নুপীগী ফুটবোলগী মমিং লৈরবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ন কপ অসি শিন লাংবদা অচৌবা থৌদাং লৌরকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা এসিয়াগী নুপীগী ফুটবোলদা অহেনবা থাক অমা পুরক্তুনা মালেমগী অতোপ্পা লৈবাকশিংগা লম্বা তৌনবদা পাঙ্গল লৈননবা পূন্না হোৎনমিন্নগদৌরিবনি হায়খি।

মরক অসিদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)কী প্রসিদেন্ট অমসুং লোকল ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা প্রফুল পটেলনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়ানা ফুটবোলগী লম্দা মালেমগী ওইবা টুর্নামেন্ট অমা কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকপা ঙমখ্রবা মতুং এসিয়াগী নুপীগী ওইবা মকোক থোংবা টুর্নামেন্ট অমসু যূম্বু ওইবগী খূদোংচাবা ফংবা অসিনা মশান্না অসিগী মগুণ অদু ইন্দিয়াগী লৈরিবা মীওইশিংদা উথোকপা ঙম্লগনি হায়খি।

এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ন কপ ইন্দিয়া ২০২২ অসি এসিয়াদা লৈরিবা নুপী খূদিংমক অমদি ফুটবোল মশান্নবু পামজবা মীপূম খূদিংমক্কী ওইগনি। মসিনা কন্টিনেন্ট অসিদা লৈরিবা লৈবাকশিংগী ওইবা অপূনবা থৌনা অমা লাক্কদৌরি।

EMPLOYMENT NEWS


- IMPHAL BRANCH :- Security/Gunman-2, Office Asst. (Graduate)-2
- SAMUROU BRANCH :- Office Asst. (Graduate), Car wash Helper-2, Driver
- MOIRANG BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2, Security - 2
- THOUBAL BRANCH :- Office Asst.-1, Grade IV-1, Security - 2
- NAMBOL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2, Driver - 2
- KAKCHING BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2, Security - 2

N.B. : Branch খূদিংমক্কী য়াম্না নক্না লৈবা মীওইশিংদা খূদোংচাবা পীজগনি।

Pl. Contact : L.G. MOTORS
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, IMPHAL-WEST MANIPUR
CONTACT No. :- 9774495994

HL-B/7200/5/10-30/11 (alt)

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 257

Carl Hartlaub - M W Testa
Bremen, 1912

| | | |
|---|---|---|
| 1.e4 e5 | 2.d4 exd4 | 3.c3 dxc3 |
| 4.Bc4 cxb2 | 5.Bxb2 Bb4+ | 6.Nc3 d6 |
| 7.Nf3 Nf6 | 8.O-O Bxc3 | 9.Bxc3 O-O |
| 10.e5 Ne4 | 11.Bb2 Bg4 | 12.Qd4 Bxf3 |
| 13.gxf3 Ng5 | 14.Kh1 Nxf3 | 15.Qd3 Nxe5 |
| 16.Rg1 Qd7 | 17.Qd2 Ng6 | 18.Qd4... |

**QUESTION :**
White to Win

**Puzzle 256 Ans. :**

33. ...Rd2 34. Rxf7 The white rook deflects Black's rook away from protecting the 8th rank. Opening the line from e8 to h8. Rxf7 35. Re8+ Rf8 36. Qg8+ Rxg8 37. Rxg8#
Backrank mate Mayet's mate
34. Rxf7 Ne2+ 35. Rxe2 Rd1+ 36.Kh2 Qd6+ 37.g3
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com